# নাগালেন্দগী ভিশমাদাএনএনসিনা টুরিষ্ট বস অমগী ড্রাইভর ফাজিনখ্রে

# লুপা লাক্ষ ২০ পীদ্রবদি খুদোংথিবা নংগনি কিহল্লক্লে

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল নবেম্বর ২৮ :*** ঙরাং অয়ুক গুহটিদগী ইম্ফালদা থোরকপা ইন্টর ষ্টেট টুরিষ্ট বস অমগী ড্রাইভর অমা শেলগী দিমান্দগা মরী লৈননা নাগা নেস্নেল কাউন্সিল (এনএনসি) ফাজিনখ্রে। ড্রাইভর অদু অথুবদা তেক্তা কায়দনা থাদোরক্তগদি মখল খুদিংগী গাড়ি চেনবা লেপ্পায়াওনা অকনবা খোঙজং কয়া চংশিন্নবা শেম শারে হায়না ইন্টর ষ্টেট বস এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্টনা ফোংদোরক্লি।

ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাংথোকখিবা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা ইন্টর ষ্টেট বস এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্টনা ফোংদোরকখিবদা গুৱাহটিদগী ইম্ফালদা থোরকপা রোয়েল রাজধনি টুরিষ্ট বস রেজিষ্ট্রেসন নম্বর এমএন০১-১৭৩৭ অদুনা নাগালেন্দগী ভিশমাদা ঙরাং অয়ুক পুং ৫.৩০ দগী ৬ ফাওবগী মনুংদা য়ৌরকপা মতমদা অঙৌবা মচুগী মারুটি ভেন অমদা অমদা লাকপা এনএনসিগী খুৎলাই পায়বা কাংবুনি হায়না চিংনবা মীওই অহুম্না গাড়ি অদুগী ড্রাইভর অদু ফাজিনখিবনি।

এনএনসিনা ফাজিনখ্রবা ড্রাইভর অদুগী মমিং থৌদাম রামে (চহী ৩১) অপোকপা নিংথেম কৌই। ইম্ফাল ইষ্টকী লুৱাংশংবম মতাই মমাং লৈকাইদগীনি। নুপী থিদুনা মচা অহুম লৈরবা মীওইনি। গাড়ি অদু ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী বামোন লৈকাইদগী ঐচ চাওলাই শর্ম্মা কৌবা অমগীনি।

এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্টনা মখাতানা হায়, এনএনসিনা ফাজিনখ্রবা ড্রাইভর রামে কদায়দা লৈবগে হায়বা হৌজিক ফাওবা খঙবা ঙমদ্রি। মহাক্কী মতাংদা গাড়িগী মপুদা এনএনসিগী মায়কৈদগী টেলিফোন্দা লুপা লাক্ষ ২০ ইন্টর ষ্টেট বস এসোসিয়েসনগী মায়কৈদগী পীগদবনি হায়না খঙহল্লকপা লৈরে।

এসোসিয়েসনগা এনএনসিগা শেনফম অদুগী মতাংদা য়ান্নবা অমা পুরক্তগদি ড্রাইভর অদুদা অৱাবা দশা তাগনি হায়না খঙহল্লক্লে হায়বগী পাউ গাড়ি মপুদগী খঙবা ঙম্লে। ঙসিদগী থা অমগী মমাংদা এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরিগী য়ুমদা এনএনসিগী মীওইনি হায়বা মীতে মচা অনিরোম লাক্লগা পার্টি অসিগী শেলগী দিমান্দ তৌরম্বা লৈখ্রে।

অদুবু এসোসিয়েসন লৈজরগসু এসোসিয়েসনগীনি হায়বা তোঙানবা ফন্দ অমত্তা লৈতে। য়াম্লবা শেলগী দিমান্দ অদু পীনবা শেলফম লৈত্রি। মণিপুর সরকারদা থৌদোক অসিগী মতাংদা রিপোর্ট অমদি পীখ্রে। সরকারনা অথুবা মতমদা মীৎয়েং চংবীদুনা ড্রাইভর রামেবু তেক্তা কায়দনা ফংনবা হোৎনবীয়ু।

করিগুম্বা ড্রাইভর রামেবু তেক্তা কায়দনা অথুবদা থাদোরক্তগদি ইন্টর ষ্টেট বস এসোসিয়েসন য়াওনা শেন্নিবা ট্রান্সপোর্টর এন্দ ড্রাইভর ফোরমগা তান্নরগা নেস্নেল হায়ৱে অসিদা মখল খুদিংগী গাড়ি চেনবা লেপ্পগী খোঙজং চংশিন্নবা শেম শারে হায়না এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্টনা ফোংদোরক্লি।